# মায়থীব'নবু মায় পাকপা মীকুপ পুরকপরা?

মায় পাকপগী মীনোক নোকপা ফংদনা পুন্সি পিখন্নখিবা মী মশীং মালমেসিদা মশীং খঙদনা লৈরমগনি। মায় পাকপই মীনোক নোকখিবা, সক্সেসফুল ওইরবা মীনি হায়না শকখঙখ্রবা মীদুদই হেন্না মতিক (মগুণ) লৈবা মায়থীবা মী কয়া অমসু লৈখিদবা নত্তে। মোসন পিকচর (সিনেমা) নম্নবা কেমেরা পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা বৃটিস ফোটোগ্রাফর 'ফ্রিজ গ্রীন', মহাক্না থংমুং নাউমুংমিন্নবা (কন্টেম্পরেরি) 'থোমাস অলভা এদিসন' গুম মায় পাক্লবা মীশক (ইনভেন্টর) অমদি ওইখিদে। পৎ তৎনা লায়রবা মীশক অমা ওইনা মে তারিখ ৫, ১৯২১দা তাইবঙপান থাদোকখি।

করি ৱাখলদগীনো খঙদে ঙসি ৱারেং অসি ইগে ফমথরুবা মীকুপ্তা ৱাখলসিদা নোংলৈ নুংশিৎকুম হুমজিল্লকখি, অহল-লমন-ওজাশিংনা অঙাং ওইরিবৈঁদগী কাউবা ঙমদা নীংশিংহন্দুনা লৈরবা ৱাহায় অমা ... 'ফেলর ইজ দ পিল্লর ওফ সক্সেস' (মায়থীবা হায়বসি মায় পাকপগী য়ূন্থীনি)। পুন্সিগী নুমিদাংৱাইরমগী তাঙ্কক্তা খোঙ থাংজিনবা হৌরক্লবা মতমসিদা ঐহাক ইশানা ওনশিন্দুনা তত্তনা হংজে ... 'ঐহাকসিবু মায় পাক্লবা মীশক অমরা'...? ইথন্তসু পাউখুম পীজে - 'নত্তে! ঐহাক মায় পাক্লবা মীশক অমা হায়বদুদি নত্তে'। অদুগা অমুকসু ইথন্তা 'ঐহাক মায়থীরবা মীশক' অমনি হায়বদুদি য়ানীংদে। লাইরমলেন'দা তিনখ্রবী, ঐবু মচানুপানি খনবদা চাউথোকচখিবী, মায় পাক্লবা মীশক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা নুংঙাইবা মশক খঙখিদ্রবী, অৱাবা মীকুপ কয়া নুংঙাইবা মীকুপনি খন্না লেনখিবী, ঐগী ইমানা মরক মরক শোন্থাংননা ঐহাক তানবা হায়খিবদু নীংশিংলি ... 'লায়না মাঙইদকো ইমাগী ইবুংঙো নঙসে'...। মদুদা ঐহাক খঙজখি করিসু নত্তে ঐহাক।

ইমাদা ঐহাক ৱারৌখিদে। মীনা মশক খঙবীদ্রবসু 'ঙসি ওইরিবা ঐহাক ইমা'সিগীদমক ইথন্তা চাউথোকচরিবা ঐঙোন্দা ইমাগী 'নীংঙমদবা ৱাহৈ'দু তারগা ইমাবু অমুক থেমজিনজখি - 'খঙলে-হৈরে চাউথোক্লুনু, ইমাগী মাঙদা নহাক করিসু নত্তে'! 'ইমা-ইপা অনীদি মীৎনা উবা লাইনিংদো' হায়রক্লিবা মরম লৈ। জগৎকী মপু শ্রীকৃষ্ণনসু গন্ধারি'দা হায়রমখিদনা... 'ইমা! ঐসে পুমঙম ঙম্বা, পুমখঙ খঙবা তাইবঙ মপুদু ওইরবসু, নচানি নঙগী নফমদদি, ইমানি নঙনা ঐহাক্কী ... মমা অমনা মচাগী লমচৎ'তা পেন্দদুনা চৈ থাংবগুম, ঐগী ইফমদা ইমানা তৌখিবা শাপ অদু লৌরবনি নচানা ফিগাও শান'...।

শিবা খেরা, রোবিন শর্ম্মগুম্বা মোটিভেসনেল স্পিকরশিংনসু হায় - 'মায়থীবদা নীংহন্নগনু, মায়থীবা হায়বসি মায় পাকপগী খোঙনেৎনফমনি'। থোমাস অলভা এদিসন, খ্বাইদই হেন্না মায় পাকপা ইনভেন্টর ওইনা ঙসি শকখঙনরগসু, হায়নৈ, মহাক মশানদি কৈদৌঙৈদা মায় পাক্লবা মীশক অমনি হায়না খনজখিদে। মানা হায়রম্মী হায়, হঞ্জিন হঞ্জিন মায়থীরবা মতুংদা ... 'ঐহাক মায়থীদে ... ঐহাক হৌজিক ওইবা য়ারোইদবা থবক লিশীং তরা মশক খঙলে, য়ারোই খঙলবা থবকশিং অসি অমুক হন্না তৌররোই'...।

অসুম্না ইখা থাবা ইচা ইনাওশিংদা ঐখোয়না, মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা ওজানা মখল কয়াগী পূক্নিং থৌগৎ ৱাহৈ শীজিন্নদুনা থেমজিল্লকই, কনাগুম্বগী পূক্নিং ৱাখল ৱারবা তানফম কয়াদা। অদুবু কনামত্তনা চপ চানা হায়বা ঙমদে - ৱাহৈশিং অসি কয়াম মতিক লৈবনো? তশেংনা কান্নবা ফংবরা? মায়থীবই চৈনা ফংলবা কনাগুম্বা অমবু ৱাহৈশিংসিনা মায় পাকপই মীনোক নোকহনখিবা ঙম্বরা?

মায় পাকপা অমসুং মায়থীবা। শেল ময়েক অমা লৈরবদি মকোক মমৈ লৈবগুম্বনি। পুন্সি অমা শাগোন্নরুরবদি অমা নৎত্রগা অমা ফংদবা য়াদ্রবা পুন্সিগী মহাউনি। অখাবা অমদি অথুম্বা পুন্সিগী মহাউ। পুন্সিসিদা ফংনরিবা অমগা অমগা মান্নদে। অখাবা মহাউ অদুবুনি পুন্সি চৈথেং কৌনরিবা! অথুম্বা মহাউ অদুবুনা মায় পাকপা, নুংঙাইবা পুন্সি। মায় পাকপা মীকুপ থুংলবদি পূম্নমক্না হরাউ-নুংঙাই ফোঙদোকই, মরুপ ওই পূম্নমক্কী। কনাগুম্বা অমনা মায়থীবদনা - কনানা হন্না য়েংদবা, মাবু শীংথাবীদবা, মনাক্তগী লাপথোকপা - চৎনবীনি মীওইবগী। থবক অমা তৌরুবা, চাংয়েং অমা মায়োক্নরুবা - পূম্নমক্না শেম শানরিবা, 'মায় পাকপা মীকুপ অদু লাক্কনি' খনবদুতগীনি। মায়থীবা মীকুপ অদু লাক্লবদি করি থোক্ল'বা? কনামত্তই পূক্নিংনা শেম শাদুনা লৈনদে। খল্লুবগা তায়ওন্নরকপা অদুদি অকিবগী মশকনি। নীংবা কায়বা মীকুপ্তু মায়োক্লবা ঙমদদুনা পুন্সিদুমক পিখন্নহনবসু কোঙ্গায়নি। কনাগুম্বা খরদনা, মায়থীবা নংবই চৈনাদু অমুক ফংনি কিবনা, অমুক হন্না হোৎনখিদবা! করিমত্তা তৌদনা, 'চন্নদ্রবা মীশক' (মীরেম) হায়বদু ওইখিবনা কোঙ্গায় অমা!

তাইবঙসিদা পোক্লরবা, পামজবা থৌগাই অমা পাঙলুরবা মীওইবা খুদিংমক্না শোয়দনা হকথেংনরগা এক্সপরিয়েন্স অসিদা ঐখোয়না করম য়েংবগে হায়বদুনি, ইংরাজিদা ঐখোয়না 'এত্তিচ্যুট' হায়নরিবা! মায়থীবা নৎত্রগা মায় পাকপা, ঐখোয়গী 'এত্তিচ্যুট' অদুনি। মপুন্সিদা মায়থীবা নংখিদবা মীওইবা কনাবু লৈরমগদ্রনে মালেমসিদা। ঐখোয়না মিদল স্কুলগী থাক্তা লৈরিবঁে তম্লকখিবা হিন্দিগী ৱারী মচা অমা, ৱাখল অসি খল্লুঙৈ, ঙসি খঙনীং নীংশিংলকই। ৱারীদুগী মমিঙনি 'মায়থীবনা মায় পাকপা' (হার কি জীত), সুদর্সন হায়বা ওইরমাল্লে, অইবগী মমিঙদু, চপ চানা নীংশিংদ্রে। কয়াদা ফজখ্রবা! ঙসি ফাওবা কাউঙমদ্রি।

মায় পাকপা মীশক অমগী ৱারী শীংবুন পারুবা, মায়থীবা মীকুপ কয়ানা থোনখিবা য়ূম্ফম ওইরম্মী। মশাগী চহী মাপনখক্তা ঙাইরিবঁে অপোকপী মমা কায়নবগী চৈথেং, তৌরু খুদিং মায় পাকখিদবা বিজিনেস, মশা মরোমদোম হোৎনজদুনা উকিল অমা ওইরক্লবা মতুংগী মায় পাকখিদ্রবা, লোয়রগী শিনফম, কাইনথংদা পোলিটিক্স! মদুদসু হঞ্জিন হঞ্জিন মায়থীখিবা ইলেক্সন! অদুমক্তদা 'অব্রাহম লিনকোন', মশামক্না কৈদৌঙৈদা 'মায়থীরবা মীশক' অমনি হায়না খনখিদে। অমেরিকাগী ১৬শুবা প্রসিদেন্ট ওইরকখি। মশাবু মায়থীরবা মীশক অমনি খন্দুনা মপূক্নিং হনজানরল্লবা! মহাকপু কৈদৌনুংদসু মায় পাক্লবা মীশক অমা ওইনা শোন্নরল্লোই।

মী অমা হাৎলুবগী, ক্রিমিনেল (মীহাৎপা) অমগী কৈশুমশঙগী মীয়াৎ, লম অমগা অমগা মান্নদ্রবসু, চহী ১৫দগী পংহেন হেন্নরল্লোই। অদুবু, নেলসন মন্দেলাবু খা অফ্রিকা-লৈঙাক্না চহী কুন্তরেৎ (২৭) চূপ্না জেলদা থমজিন্দুনা লাক্নরবসু, মহাক্কী মঙ... 'খা অফ্রিকাদা কুচু মুবশিংবু কুচু ঙৌবা (ইংলিস) শিংনা তুহৎপগী লৈঙাক থৌশিল মৃখুৎকনি'.... হায়বদুবুদি মঙহন্দবা ঙমখিদে। কৈশুমশঙদগী থোরক্লগা সাউথ আফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট ওইরকখি। মহাক্কী মঙ মঙফাওনখি।

ব্যারিষ্টর (উকিল) অমা ওইবগী মঙ পুদুনা ইংলেন্দ'দা লো তম্বা চৎখিবা মোহন্দাস করমচান্দ গান্ধী, খা-আফ্রিকাদা ইন্দিয়ন-বিজিনেসমেনশিংগী কেস অমা থেংননবা চৎখিবা - লোগী শিনফম অদুদা মায় পাক্লবা লোয়র অমা ওইবা ঙমখিদে। ইংলিস-রুল্লরশিংবু ইন্দিয়াদগী তান্থোক্কদবনি, মদুসু খূৎলায় পায়দবা, মীহাৎ মীপূন তৌদবা অন্দোলন, ঈহৌ অমগী মতেংনা হায়বা ফিরেপ অদু পুরগা মরৈবাক্তা হল্লকখি। খূৎলায় পায়দবা (নন ভাইওলেন্স) না পান্বে ওইরগা অচুম্বগী চাংয়েং অমা মহাক্না তৌজবদু মায় পাক্রে, মায়থীরে হায়বদি গান্ধী মশানা য়াজখি। অদুবু বৃটিশকী খূৎতগী নীংতম্বা ইন্দিয়া অমা শেল্লমগনি হায়বদুমদি মায় পাকখি, বৃটিশনা তন্থরকপদুগা চানরুদুনা।

গান্ধীয়ন ফিলোজোফি অদুমক খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর্স এক্ট মণিপুরদগী লৌথোকহনগদবনি হায়বা ইরোম চনু শর্মিলাগী ৱাকৎ অদুদি ইন্দিয়ন লৈঙাক্না তাবীখিদে। মহাক মায়থীখি। মহাক্কী মায়থীবা মীকূপশিংদুদা মায় পাকপই খোঙদাফম ওইনবদি কনানসু হোৎনরক্রি।

ঐহাক হায়বা ঙমদে - লমদমসিদা, ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মায়থীবা মীকুপশিংনা, তুংলমচত্তা, মায় পাকপা মীকুপশিংদই হেন্না কান্নবা পড়া অমা তন্বীরক্কনি হায়বা। —*ইন্দ্রকুমার*

# মচিল মনাও

থায়না মমাঙঙৈদা খুল অমদা নুপা মচিল মনাও অনীখক লৈরম্মী। মখোয় অনী অদু য়াম্না নুংশিননা লৈমিন্নরম্মী। ময়াম্বদি য়াম্না হৈশিংবা লাইৱা তিনৱা খঙবা মাইবনি। ময়াম্বনা হায়বা ৱা অমত্তা মনাওনুপানা খক হিক্তোক্তে। মরাইবক থীবদগী ময়াম্বদি মচা অমত্তা পোক্তে। মনাওনুপানা পাখং ফারক্লবদা ময়াম্বা অমদি মতৈমনা খুল অদুদগী নুপী অমা হায়নদুনা লুহোংবীরে। ওল্লকপা চহীদা মচানুপা অমা পোক্লম্মী। অঙাং অদু হেক পোকপগা ময়াম্বনা খরুংদা হাপ্লগা ফুমজিল্লু হায়বদগী মনাওনুপানা পোকপদা ঙাইরিবা মচানুপা অদু হিংনা হিংনা খরুংদা হাপ্লগা তুরেল খোংবানদা ফুমজিল্লি। অদুগী মতুং ওল্লকপা চহীদসু মশা মউ ফরবা কুচু ঙৌবা মচানুপা অমা অমুক পোক্লম্মী। মদুসু ময়াম্বনা ফুমজিল্লু হায়বদগী মনাওনুপানা ময়াম্ববু কিবদগী মচানুপাদু হিংনা হিংনা খরুংদা হাপ্তুনা তুরেল খোংবান্দা ফুমজিল্লি। অসুম্না ময়াম্বনা হায়বা মতুংইন্না ফুমখিবা অঙাং অহুম শুরবদা মাগী নুপী অদুনা নোংমদি কপ্তুনা মৱাদা হায়রকই 'ইবুংঙো! ঐখোয়গী ইচে-ইতৈ অনীদি মচা অমত্তা পোক্তগা ঐখোয়না চহী খুদিংগী মশক মতৌ ফজরবা ইচানুপা অমমম পোকপসিদা কল্লক্তুনা ঐখোয়না পোকচবা ইচানুপা অহুম অদু হিংনা হিংনা ফুমদুনা হাৎতোকহনবনি। মতুংদদি মখোয় অনীদা ইচা পোকই খঙহল্লগুমসি। ইপামদা মতম খরদং ইচাশিংনা চাউদ্রিঙৈ ফাওবা য়োক থাক্তুনা লৈরুখিসি'। অসুম্না থেংলবা অহিংদা মতৈ মনাওনা লোন্না ঙাঙনরিবা ৱাফমদু মতৈমনা তারদুনা মৱা মাইবদা তল্লম্মী। মতুগী মচিন্দগী অদুগুম্বা তমথীরবা পাউ অদু তাবদা ময়াম্বা মাইবা অদু মথৱায় নুংঙাইরমদে। অদুবু মপূক্নিংগী অরোনবা ৱাফমদি মতুগী মফমদা কাংথোকখিদে। মতম খরা লৈরগা মনাওনুপী অদু মবুক কংদুনা অঙাং পোক্কদবা থা শুরক্লবদা নোংমা অথেংবা অহিংদা মতৈ মনাওনা ময়াম্বা অমদি মতৈমা খঙহন্দনা লোন্না ময়ূম থাদোক্তুনা নুপী মপামদা চৎখি। নোংঙাল্লগা ময়াম্বনা মতৈমা থাদুনা মনাওনুপা অমসুং মনাওনুপী অনীবু কৌহল্লি অদুবু য়াদদুনা মনাওনুপাদু নুপী মপামদা লৈখ্রে।

অসুম্না মতম খরা হৌখ্রে। নোংমা মনাওনুপী অদু মচানিপা অনীখক ফাইবোক পোক্লে হায়বা পাউ তাবদা ময়াম্বা মাইবনা মনাওনুপীগী মপামদা লাকই। নুমিৎ অদু মনাওনুপাদি লৌবুক্তা লৌ খাওবা চৎখিদুনা লৈরমদে। ময়াম্বনা ফাইবোক পোক্লিবা অঙাং অনীদু মনাওনুপীগী মফমদগী মুন্দুনা ময়ূম তান্না পুরক্লগা খরুং অমমমদা হিংনা হিংনা হাপচিল্লি। হৱাই অকাবা খরগা, নূঙ মতুম অমমমগা হাপ্লগা চফু মচা অমনা মখুম চেৎনা খুমজিন্দুনা তুরেল ৱাংমা ৱাংমদা অঙাং অনীদু অমমম ফুমজিনখি। মৱানা লৌবুক্তগী হল্লকপা মতমদা মতৈনা অঙাং অনীদু ফুমজিন্নবা পুখ্রে হায়না মতুনা কপ্তুনা তম্বদা মনাওনুপা অসি শাউবনা লুতোন কাখ্রে। অফ-ফত্ত ৱাখল খন্দনা মখূত্তা থাঙশাং অমা পায়রগা ময়াম্বা হাৎকদবগী চেনখি। মনাওনুপানা মখূৎতা থাঙশাং পায়দুনা শাউনা লাকপা উবদা ময়াম্বা অদু নুংশাথীরে। ময়াম্বনা মনাওনুপা য়েংলগা, "ইবুংঙো! তপথখো, শাউখিগনু। নঙনা পোকচবা ফাইবোক অঙাং অনী অদু ফুমজিনখিবদুগীদমক্তা ওইরবদি ইয়াম্বগী ইরালনি তশেংনা খঙলগা ইয়াম্ববু হাৎলু। ঙসি অথেংবা অহিংদা মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা মতমদা নখূত্তা খূৎলায় অমা পায়রগা তুরেল খোংবান্দা মী লৈ খঙহন্দনা নতোমতা নারক মোংশোংদা লুমদুনা লৈয়ু। ঐনা ফুমজিনখিবা অঙাং অনী অদুনা করি করি ঙাঙনবগে হায়বদু মুন্না তারগা পাউ অদু ইয়াম্বদা তম্মো লাউ"। ময়াম্বগী ৱাদু তাবদা মনাওনুপাদু শাউবা য়াদদুনা মখূৎতা থাঙশাং পায়রগা থেংলবা অহিংদা তুরেল খোংবান্দা কুমথদুনা নাপী মরক্তা লুমদুনা ফুমজিনখিবা অঙাং ফাইবোক অনী অদুনা ঙাঙনবা ৱা তানবগীদমক্তা অহিং মিংশেল খাঙদুনা লৈখি।

অথেংবা অহিং মীচিক মীরাওখোল তারক্তুবা মতমদা তুরেল ৱাংমা ৱাংমদা ফুমজিনখিবা অকোনবগী অঙাং ফাইবোক অনী অদুনা মাগী মাগী ফুমফমদগী হৌগৎনরক্তুনা কৌনরকই। মখোয় অনীনা ঙাঙনবদু তাবদা হান্না ফুমজিনখিবা অঙাং অহুম অদুসু মখোয় মখোয়গী ফুমফমদগী হৌগৎনরক্তুনা কৌনরকই। অদুদগী অঙাং মঙা অদু মমায় মমায় ওনশিন্নদুনা ৱারী শাবা হৌরক্লে। অকোনবগী অঙাং ফাইবোক অনী অদুনা হান্নগী অঙাং অহুমদু য়েংলগা 'ইতাও অহুম্মক! নখোয়না করি মরমগীদমক্তা হৈশিংবা মাইবা অদুগী মনাওনুপাগী মচা ওইনা পোক্লুরিবনো" হংলক্লে। অহানবা ফুমখিবা অঙাং অদুনা "ইতাও! ঐনা মাগী মচানুপা অহল ওইনা পোক্লুবগী মরমদি মতম কুইনা লৈরক-খুল্লক, নারক-শিংলক, লম্ফাং-তুহাংদা কোয়না চৎতুনা লৈবদা চাবা থকপা ফংলক্ত্রবদা তাইবঙ মী ওইনা পোক্লবদি মতম খরদি চাবা থকপা নীংবা থুংগনি খন্দুনা মনাওনুপাগী মচা ওইনা পোক্লুবনি। ঐনা মাগী মচা ওইনা মতম কুইনা পুন্সি তোলোইনা হিংগে খন্দুনা পোকপা নত্তে, ইমা ইপাদু ৱাহনগে তৌবনি। ঐনা কোয়না চেন চোংদুনা শান্নবা ঙল্লক্লবা মতমদা ঐবু পোকপা ইমা ইপানা নোংমদি ঐবু পাখোন শিরক্কনি। নোংমা ইপানা নুংথিল তূম্মুবদগী হৈ চানীংদুনা হৈ থিবা ফংলক্ত্রবদা ঐনা চাউরবা হৈনৌ পান্বী অমগী মতোল লোম্না কাগনি। হৈনৌ হেক্লবা লাম্বদা লাম্বা ফংদদুনা হৈনৌ পান্বী মথক্তগী খূৎ নান্থোক্তুনা লৈবাক্তা তারক্কনি। ঐনা অৱাংবা উথক্তগী লৈবাক্তা য়ৈশিন্দুনা তাবগী ফিভমচাদনা শিবা মীশি অদু ঐবু পোকপা ইমা ইপা অনীবু য়েংহল্লগা থম্মোয় শোক্না ৱাহনগে, কপহনগে খনবদগী ঐনা মখোয়গী মচা ওইনা পোক্লুবনি। ময়াম্বা মাইবা অদুনা তুংদা থোক্কদবা থৌদোক অদু হান্না খঙদুনা ঐবু হিংনা হিংনা খরুংদা হাপ্তুনা তুরেল খোংবান্দা ফুমজিনবীরে, মদুদা ঐ হৌজিক ফাওবা তৌফম খঙদদুনা লৈরিবনি"। অঙাং অদুগী ৱাদু তাবদা তুরেল খোংবান্দা নাপী শিংবী মরক্তা লুমদুনা তারিবা মনাওনুপাদু কিবনা মশা পূম্বা তু চুংঙি।

ঙহাক লৈরগা অনীশুবা ফুমজিনখিবা অঙাং অদুনা ঐসু ইতাওগী মতৌগুম মতম খরা লৈরল্লগা শিগে খন্দুনা মাগী মচা ওইনা পোক্লুবনি। ঐনা কাংজৈ কাংহু পায়দুনা চেন চোংদুনা শান্নবা ঙল্লক্লবা মতমদা নোংমা ষণ শেনবা চৎকনি। মদুদা অঙাওবা ষণ ময়াম্না ঐবু ৱায়গে তান্নরল্লবদা ঐনা ষণগী মমাঙ থাদুনা চেনবদা খুদি থিদুনা লৈবাক্তা উপথুননা তুরিঙৈদা ষণ ময়াম্না চেনশিল্লক্তুনা ঐবু নেৎখায়গনি। ষণ ময়াম্না নেৎখায়বদগী শিবা ঐগী মীশি অদু ঐবু পোকপা ইমা ইপা অনীবু মমিৎ পেন্না য়েংহনগে, মখোয়না অৱাবা মতৌদু উরগা নুংঙাইগে, পেনগে খন্দুনা মখোয়গী মচা ওইনা পোক্লুবনি। অদুবু ময়াম্বা মাইবা অদুনা তুংদা থোক্কদবা থৌদোক অদু হান্না খঙদুনা ঐবুসু হিংনা হিংনা খরুংদা হাপ্তুনা ইতাওগী মনাক্তা ফুমজিনবীরৱে।

ঙাইহাক লৈরগা অহুমশুবা ফুমজিনখিবা অঙাং অদুনা "ইতাও অনীনা তাকপীবগুম্না ঐসু মতম চাদনা খাঙুথক্তা শিগে খন্দুনা মখোয়গী মচা ওইনা পোক্লুবনি। ঐসু কোয়না চেন চোংদুনা শান্নবা ঙল্লক্লবদা নোংমা খূৎতা কোল মচা অমা পায়রগা পুখ্রিদা ঈশিং শোকপা চৎকনি। ঈশিং লাম্বা ফংদদুনা থোঙ্গ্রাদগী নান্থদুনা ঈশিংদা তাগনি। ঈরোইবা হৈতবদগী ঈশিং থক্তুনা ঈরাক্লদুনা ঐ শিবা মীশি অদু উরগা ঐবু পোকপা ইপা ইমা অনীবু কংফান্দা কপ্তুনা চোংহনগে খন্দুনা ঐসু মখোয়গী মচা ওইনা পোক্লুবনি। ময়াম্বা মাইবা অদুনা খঙবা উবা হানমনখিবনা হেক পোকপগা ঐবুসু হিংনা হিংনা খরুংদা হাপ্তুনা ফুমজিনবিররে"। অঙাং অহুমগী মচিন্দগী অকিবগী মশক ফংলবা ৱাহৈশিং অদু তাবদা মাইবগী মনাওনুপা অদু কিবদা হায়নীংঙাই লৈখিদে, মশা পূম্বা হুমাং কাংলে।

ঙাইহাক লৈরগা তুরেল ৱাংমা ৱাংমদা ফুমজিনখিবা অঙাং ফাইবোক অনী অদুনা খাক্না খাক্না নোকই। মখোয় অনীগী মরক্তা অহল অদুনা হায়রকই। "ইতাও অহুমগী নৱা নপাও তাবদা নুংঙাইরে। হৌজিক্তি ঐখোয় অনীগী ইৱাসু তাবিরো। ঐখোয় অনীসু নখোয়গুম্না ইমা ইপা ওইরিবা মখোয় অনীবু ৱাহনগে, নংহনগে খন্দুনা ইচিল ইনাও ফাইবোক ওইনা পোক্লুবনি। পীক্লিঙৈ অঙাং ওইরিঙৈদদি ঐখোয় অনীসু য়াম্না চান্নুনা নুংশিননা লৈমিন্নগনি। ঐখোয় অনীনা চাওরক্লবা মতমদা নোংমা ইমা ইপানা লৌবুক্তা চৎখ্রিঙৈদা ঐখোয় অনীনা য়ূম শংহৌগনি। নুমিদাংৱাইরমদা ঐখোয় অনীনা চারা ৱানবদা খৎনদুনা খূৎতা থাঙ অমমম পায়নরগা য়ান্নগনি। থাঙনা মতুপ মতুপ ককথৎনদুনা ঐখোয় অনীনা মাঙ্গোল লময়াইদা শিদুনা তাবা মীশি অদু ঐখোয়বু পোকপা ইমা ইপা অনীনা লৌবুক্তগী কারকপদা মমিৎ পেন্না য়েংহনগে, মথৱায় চাকহনগে খন্দুনা ঐখোয় অনী হৌনদুনা ফাইবোক ওইনা পোক্লুবনি। ময়াম্বা মাইবা অদুনা তুংদা থোরক্কদবা থৌদোক অদু হান্না উদুনা ঐখোয় অনীবু হিংনা হিংনা খরুংদা হাপ্তুনা ঐখোয়গী চিঙাক্না লোয়ননা অমুক হন্না উন্নদনবা তুরেল ৱাংমদা তোঙান তোঙান ফুমজিনবীরে। ময়াম্বা মাইবনা হাপ্লকপা নূঙ মতুম অসিনা তূমদ্রিবখৈ, হৱাই অকাবা অসিনা মতোন চোংদুনা লৈবাক্তা হৱাই ওইনা হৌরগা পান্দ্রিমখৈ উন্নগনুসি হায়রম্বা মরম্না ঐখোয় অনীদি মফমসিদা অদুম লৈবা তাই। ইতাও অহুমদি নচিঙাক পীরক্তবনিনা অমুক হন্না চঙদুনা ওৎলুখো"। অসুম্না মখোয় মঙানা ৱারী শানরিঙৈদা নোং ঙাল্লক্তুনা য়েন খোংলক্লবদা অঙাং মঙা অদু হান্নগী মতৌগুম্না মাগী মাগী ফুম্ফমদা অমুক হনজিন্নখি।

ময়াম্বা হাৎকনি খল্লম্বা মনাওনুপা অদু অঙাং মঙাগী ৱাদু তাবদা মানা খল্লম্বা পূম্নমক লাল্লে খঙলবদা মখূৎতা পায়রিবা থাঙশাং অদু তুরেলদা থাদরল্লগা ময়াম্বগী মনাক তান্না চেল্লক্তুনা মখোঙ পায়দুনা ময়াম্বদা লাল্লে হায়জররে। অদুদগী তুরেল খোংবান্দা হিংনা হিংনা ফুমখিবা অঙাং মঙানা ঙাঙনখিবা ৱাশিং অদুসু অমত্তা চিংখিদনা ময়াম্বদা তমই। মনাওনুপাগী পুকচেল তিংবা মতৌদু উবদা নুংশিদুনা কোনবীরম্মী। 'ইবুংঙো! হৌজিক্তি ৱারুগনু, অঙাং অহুম্না মচিঙাক পাল্লবনিনা মখোয়গী মচিঙাক ইয়াম্বা পীরুখিগে। অসি হায়রল্লগা ময়াম্বা মাইবনা লা লাতোন অহুমদা হৱাই মরূ অকাবা খরা খরা হাপ্লে, নূঙ মতুম অমমমসু হাপ্লগা তুরেল মপান্দা থাদোকপা চৎখি। লা লাতোন অহুম অদু থল্লগা 'হে তিলমু লাইমু অহুম্মক! নখোয়গী নচিঙাক ঐনা পীরবনি। হৱাই মরূ অকাবা অসিনা মতোল চোংদুনা লৈবাক্তা হৌরগা হৱাই ওইনা পান্দ্রিবমখৈ, নূঙ মতুম অসিনা তুমদ্রিবমখৈ অমুক হন্না উন্নরগুমসি" হায়না শিন্নরল্লগা ময়ূমদা হল্লকই। অসিদগী ময়াম্বা মাইবনা লাই খুরুমদুনা অফবা মচানুপা নীবদগী ওল্লকপা চহীদা মনাওনুপীঅদুনা মচানুপা অমা পোকই। হায়রিবা অঙাং অদুদি ময়াম্বা মাইবনা মানা পোকচবা মচাগুম য়াম্না লুনা তৌই। অঙাং অদুগী মপান্দগী মখোয় পূম্নমক নুংঙাই য়াইফনা পানখি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী' দগী লৌখৎচবা)**

# অহিংগা লোন্দিন্নমা

নঙ করিগুম্বদগা নঙনা খঙদবা লোন্দা মীনা ৱারী শানবা তারব্রা? চুম্না তাবা নত্তবা থৌওইনা তানবা হোৎনবা। করি হায়রিনো খঙনবা হোৎনবা। মীনা ৱারী শান্নবা, ঙাঙনবা তূমিন্না খঙহন্দনা তাবগী ৱা নত্তে। মদুমা ওইদ্রে হায়দি ঐ মবানীগী মরোলদু খঙদে। ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইরিবদি ঐনা খঙদবা লোন্দা মীনা পাউ ফাওদোক্লবদুনি। পৃথিবীগী লোন ময়ামসে ওন্থোক্না য়ামখ্রেদকো। পৃথিবীসিদা লোন অমখক্তং ঙাঙনরবদি লানকা হায়বসি খরা ফগদ্রা খঙদে। হুং ফরোইদা। লোল তিন্নরবসু নুংশিনদবা য়াম্না লৈ।

ফোরেন লেংগ্বেজগী সিনেমা ইংলিস লোলদা দব তৌবকাসি পংলি লীবা টেক্নোলোজি ওইরোই। ঐখোয়না পীক্লিঙৈদা থেংনরক্তে। থেংনরক্তবসিনা লীবা লীদবগী ক্রাইটেরিয়া অমা ওইবগী ৱাবুদি নত্তে। থেংনরক্ত্রিসিবুদি চাওখৎপগী মঙাল থেংনা য়ৌরকপা পৃথিবীগী মতায় অমদা পোক্লুবসিনসু ওইবা য়াই। অদুবু পংকুইদি কুইখিরোই। খোঞ্জেল য়াওদবা পিকচরদমক য়াওবা চার্লি চেপ্লিনগী ফিল্ম পংলি লিদ্রি। 'টোকি' ওইরক্লবা মতুং কাইনথংদা অতোপ্পা লোল অমদা দব তৌবা সিনেমাকা থোরকখিবজাৎনি।

সিনেমাদি লোল খঙদ্রসু য়েংবা অদুম নুংঙাই। মখোঙনা মখূৎনা মমায়গী ফিভম্না ফনা য়াম্না ঙাঙই। ৱারী পরিং, তৌথোরক্লিবা থবক পরেংদু য়েংলগা ফনা নুংঙাইনা য়েংবা ঙম্মী। ঈশৈসু অদুমঙাই। খঙদবা লোন্দা শকপা ঈশৈ অদুম নুংঙাইনা তাবা ঙম্মী। ঈশৈগী লোল লৈতে; ঈশৈদি ঈশৈনিকা হায়বা য়াগদ্রা?

নহাল নোংমা ধর্ম্ম-কর্ম্মগা মরী লৈননা অশেংবা মফম লাইফম অমদা নুমিৎ খরা লৈরুই। ইমা লৈখিদবগা মরী লৈননি। অশেংবা মফমদা লাইশঙ মনাক্তা মীথুংশঙ ময়াম অমা লৈ। ময়ামদুগী মরক্তগী কা অমদা লৈরুবনি। ঐগী নুপীগা ঐগা ঐখোয় অনী। ধর্ম্মগী মপান্থোংগী থবক থৌরম লাইশোন তিনশোন্দা থাজবা থাজদবগী ৱাফম নত্তে। ঐঙোন্দদি মসি অমোৎপা পূক্নিং শেংদোক্লবা মতাং অমনি। শাজেল মখল অমনি। ঐগী ওক্তবা পূক্নিং, লমহেনবা ৱাখল-অতৈনা খঙদ্রসু ঐতনদি খঙই। সিবু মোৎতে করম্না হায়সিগে? ইশানা ইশাবু করম্না নমথাক তৌজগদগে? পুন্সিগী অকামপেৎ, থুনাম-নাঙৈ শুদোক-চামথোকপা তাবনি। অফবা থবক তৌদুনা অচুম্বা লম্বীদা চৎনবা হোৎনবা তাবনি। নুংতিগী অয়ূক্তা চিন-য়া শেংদোক্তুনা মায়-মীৎ তাথোকপগুম, ঐগী পূক্নিংসু তরু তনান শেংদোকপা তাই। লৈখিদ্রবা ইমাগী থৱায়না ঈংনা চিক্না লৈজনবা অজা-পুজা তৌবনা শিনফম ওল্লবা কাঙবুনা লাইরোন-তিল্লোন শোনবদা মীৎ চেজেৎ উইশিন্দুনা থৱায় লূপশিন্নবা হোৎনজে। গঙ্গাগী শেংলবা ঈশিংদা ইরুজথোক্তুনা হকচাংগী অমোৎপা লৌথোকপগুম ঐগী পূক্নিংগী অমোৎপসু চামথোক্লবা, লৌথোক্লবা কন্না হোৎনজে। ঐগী মীৎলমদা উরকই লৈখিদ্রবা ইপা, ইপুবু পোকপীরম্বা ইপু অমদি ইবেন। ইমাসু হন্দক্তা লৈখিদ্রে।

সনধ্যা গৌরীসু য়াওরুই। ময়াম পূম্নমক পুন্দুনা পুঙ য়ৈদুনা ঝান খিঙদুনা সনধ্যা আরতি কৎলি। লাইশোন ঈশৈ শক্তুনা। মতামা ওইনা তোংঙানবা সংসার অমদা ঙাইহাক তিল্লুই। কাংশি মাঙ্গংগী খোঞ্জেল ইপোমদা।

সনধ্যা গৌরি লোইরগা ঐখোয়গী লৈফম কাদুদা হল্লকই। অয়ূক চাকচামাঙদা লাইফম কয়াদা পরিক্রমা তৌরুবগী ৱারী-ৱাতাই শাদুনা লৈমিন্নৈ। নুমিদাংগী প্রসাদি ঙাইনা ঙাইনা।

'থায়নদি লাইসি তশেংনা লৈরম্বজাৎনি', ঐনা শোল্লুই।

'কৈনো নঙনা হায়রিদুবো? হৌজিক লৈত্রে হায়রিরা', মানা ওক্লকই।

'লৈবা লৈতবগী ৱা নত্তেদা। ঐনা হায়দি মীগা লাইগসি হৌজিক্তি ইরাপ লাপথোক্লরে।'

'মীগা মীগা তিন্নবদৌনা তিন্নবদি কদায়দৈ য়াগদগে? লাইগা মীগবু।'

'অদুনিদা ঐনা হায়সু। অদুদা ঐখোয়গী লৈখিদ্রবা ইধৌদুদি মরক মরক্তা মথক থোংবগা ৱারী শাবদৌনা লাইদা ৱারী শাই। লাইদু মনাক্তা হেক লৈবদৌনা। হায়রিসি শোনো চুদুনা তৌবা নত্তে। মাগীদি লাইসি তশেংনা লৈ। ঐগীদি শিখিবদৌনা তৌরে।'

'ঙাইখো, লাইকোলসিদা দুকান খরা লৈ হায়। য়েংলুসিরা।'

'ফৈ। ঙাহৌ ঙাহৌ। নুমিদাংগী চাবা থকপৈ মতমসু ৱাৎলি।'

ঐগী নুপীনা দুকান্দা পোৎ চৈ য়েংলি। ঐনা দুকান মমাঙদা চৌক্রি অমদা ফমদুনা হকচিক লাংই। অশাবা লমনি। অইংবা নুংশিৎ শিৎলকপদা নুংঙাই। মৈরানবী ময়াম দুকান মমাঙদা থানবা অঙানবা ইলেক্ট্রিক বল্বতা ইকোয় কোয়না পাইরি।

ঐ খঙই অনকপদা তুরেল চেল্লি। তুরেল ঈশিংগী মখোল, তোর্ব্বান ময়াদা হৌবা উপাল ময়ামগী মখোল তাই। হৌজিক্তি খোঞ্জেলতনা পিক থনখ্রে। হুই অমা অনীসু খোংবা তাই। হুই খোংবগী মখোল মীনা তম্বদা মানবদি য়াই। হুইগী খূৎখোংদি শুংওই ওইরোই। উচেক্কী মখোলসু অদুমঙাই। মান্না খোংবদি য়ানি। অনকপদা নুংশিৎকী শহুমদা মীৎকপ থোকপনরা মমিং খঙদবা উচেকশিংগী মখোল তাই।

চাকচা তোল্লুবা মতুং তূল্লমদাইনি। ঐখোয়নি ফমুংদা হিপ্লে। থংনবা য়ূমলোন অনী অহুম লাপ্পদগী মতৈ মনাও অনী খৎনবা তাই। মতৈদু য়ু ঙাওরে। লৈয়েং ফাইরে। ঐখোয়না খঙদবা লোল অমদনি মবানীনা খৎনরিবদু। লৈয়েং ফাইনা ঙাঙবা খোঞ্জেল খরা ঐনা লাকশিন্নবা হোৎনৈ। খোঞ্জেল খরদি হঞ্জিন হঞ্জিন তাবগুম তৌই। মতম্নগা চিক্লকপসিদা।

'খোঞ্জেল খরা, ইমান মান্নবা খোঞ্জেল খরা হন্না হন্না তাবগুম তৌই', নাকলদা হিপ্লিবী নুপীদা ঐনা হায়।

'য়ু ঙাওবৈ হৌনবী ৱা হঞ্জিন হঞ্জিন ঙাঙবা ওইরিনি', ঐগী নুপীনা খুল্লকই।

'অমনা সুম ঙাঙজরসু অমনা সুংখুম খুমদ্রদি ফদৌনি। মান্নবিদ্রগা তল্লগা মরাইনা তোকচখিনবা।'

'খাঙবা ঙমদদুনা খুল্লকইনি। কনানবু চবেং চবেং । য়ু ঙাওবগী অমত্তসু শম্নদনা।'

'মাই ৱাঙাঙসি তিকি খোৎপা অমা কন্না য়াওরি। অদুনা ওইতাই ওক্লক্লিসি। কনানবু তানীংদবা ৱা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জিল্লক্লদি অরানবনা অচুম্বা ওইরবোই নীংলক্কনি।'

খরা থাপতোকখিবদা তুরেল মপান্দা ওইরিনি। হুই অনীসু চিক্লবা তাই। খামদোক্লিবরা শু শু থৌজিল্লিবরা হুইয়াম অমসু গৌ গৌ পংখোংদা খোংই।

নুপীদু পূক্নিং নুংশিনা হিক হিক কপ্পা তাই। তেংথা নাওইনা কপ্পদি নত্তে। ঐনা খল্লি খারবা পুন্সিগী মহাওনা থেংজিল্লক্লিবা অহিংনা মশাবু য়োৎশিনখিগদবগুম ফাওররিনি। য়ুঙাওবদুনা করেম্নানা নোকই। করিনোনে সিবো অমনা কপ্লগা অমনা নোক্লিসে। চুম্না নোকপা নত্তে। কপসু কপচশারিয়ে হায়বগী মওংনি। অর্থ খঙদ্রসু মতৈ মনাওনা ঙাঙনরিবা লোন্দু খঙই। অমনা কপ্না অমনা নোক্না পুন্সিগী ৱাহন্থোক থিরি। পূক্নিং পেৎথরকই। নুপাদুগী করেম কথাইনবা খোঞ্জেলদুফাও চগন্ননা ফাওরক্তে। নুপীদুগী নুংহিক্লবা খোঞ্জেলদু অমম্বা অহিংদা তিনখিবগুম ফাওরকই। মমাঙঙৈগী মতম উইরোন শারোন নীংশিংলকই। অঙাং ওইরিঙৈগী নুংশিবা মঙলান অমা খঙহৌদনা লৈমন চল্লি। খোন্থাং য়ৈরকই। ফক্লাং ঘড়ীদা।

মীৎকপ থোল্লকপদা হাংদোক্লিবা থোঙনাওদা মপূং ফারবা থাজনা ইরং লংনা ঙান্থোইরিবদু উই। অতপ্পা নুংশিৎকী শহুম তাই। মসিনমুক অতোপ্পা খোঞ্জেল অমনি। খঙদ্রবসু তাবদা অদুম নুংঙাইবা। নোংঙাল্লমদাই য়ৌরক্লদি অহিং লিক্লা তপ তপ তারক্লনি। খোন্থাং য়ৈররনি অহিংগী নাপদা।

**-কাংজম রাধাকুমার**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'আ!! থম্মোয় লকানুংদগী' দগী লৌখৎচবা)**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।